# য়ূম পানবা ... লু-হোংবা ...



- এস ইন্দ্রকুমার-

ঐহাক ইশা লুহোংখিবা চহী কুন্থ্রাতরেৎকী মমাঙগী থৌদোক অদু নীংশিংলকই, ইচানুপা য়াইমা লুহোংবগী মঙানি চাক্লৌবা নোং'ঙানবই অয়ূক্তুদা। তেল্লক্লবা মাঙগী লম্বী অমদি শাংহৌরবা তুংগী লম্বী-লম্বী অনীসি ৱাখলসিনা লামশিন্দুনা শান্নরুই। খলহৈদবা ৱাখল কয়া নৌনা ময়োল চোংলকই। তৌগদবা/তৌফম থোকপা থবকশিংদি অমত্তসু তৌহৌদে, তৌরোইদবা/তৌদ্রবসু য়ারম্বা থবকমক্তা তৌদুনা লেল্লকখ্রে শাংলবা মতম অমা। খল্লি-তৌহৌদ্রবা/তৌগদবা থবকশিং অসিদি তৌরুগনি কৈদৌঙৈ?

অমুকসু খল্লি-লাক্কনি/লাক্লোই খঙদ্রিবা হয়েংগী কোরৌদুগীদমক্তা নুংনাংলুনি করিগী? হয়েং তৌদৌ থবকপু ঙসি লেপ্পা য়াবরা? মতম হায়বসি হৌজিক্লি। পূন্সি হায়বসি ঙসিনি।

য়ূম্বান পূন্সি অনৌবা, উঙমদবা শক্তম অমা উরকপা, খল্লম্বা কয়া তায়ওন্নরকপা-মতমদুদা ইখিবা দ্রামা মচা অমখক নীংশিংলকই নৌহৌনা। য়ূম্বান পূন্সি হায়বদুবু মসিরা? মসি ওইনি খঙলল্লবা, য়ূম পাল্লল্লোইদবনি... ৱাখল অমনা ইনশিল্লগা ইখিবনি। মতমদু দ্রামা পামজরুরবসু ইশাগী লূপ লিংখৎপদা ঙায়রিঙৈনি। এক্সপরিয়েন্স ৱাৎলিঙৈ, লৌশিং মপূম ফাদ্রিঙৈ; লূপকী এক্টর লৈত্রিঙৈনি। ইশাগী প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কে-ইরুবা নত্তে লীলাদু। রেদিওগীদমক য়াইফ-য়ূম্বান প্রোগ্রামদা শন্দে দাক্লবা থাজিনগে খনখিবনি ইবদা। ইশামক্কী পূন্সিদা হকথেংনবা ৱারীনি - অতাবনা পামগনি। 'হা! য়ূম পানখোদনা'! - লীলাদুগী মমিংনি। মমিংদু তাবদা করি খল্লুরবনো, মতমদুদা নক্কা লোয়নরম্বা শৈশকপা/শৈবানবা/কলাকার খুন জয়কুমার'না 'লীলাদু ঐঙোন্দা পীরো, ঐখোয় শান্নরগে' হায়দুনা পুখিবদগী স্ক্রিপ্টতু অদুম উখিদ্রে। 'প্রিন্স থিয়েটর' হায়ব্রা কৈনো, অনৌবা থিয়েটর লূপ অমদা মখোয় খরা তত্তনা পুল্লমখিবনি। স্ক্রিপ্টতু কমদৌখ্রবগে? কৈদৌঙৈ পুথোক্কদবনো? নোংমতসু হংলুদে। মরমদি ঐহাক-লীলা ইবা (প্লেরাইট) অমা নৎখিদে, ওইগে হায়নসু খনখিদে। দ্রামা পামজরুবগী, ইশাগী লূপতুগীদমক পুথোক্লবা নত্তনা, অতোপ্পা লূপ/দিরেক্টর অমগীদমক, ঙসিফাও দ্রামা অমত্তা ইখিদে।

স্ক্রিপ্ট অদু কমদৌখ্রে? নোংমা হংলুবদা হায়রকখি - মাগী মাগী শরুক্তু শিন্দোক্লগা পাননবা মথং মথং পায়নখিবদগী অদুম থিবা খঙখিদ্রে। ঙসি খংনীং নীংশিংলকই। শেমদোক শেমজিন হাপতোক হাপচিন তৌরগা নৌনা অমুক্তং শান্ননীংলকই - হৌজিকসিদা ইমুং খুদিং মহাভারতকুম্বা লানজাও অমমম থোক্লিবনি - মনেমগা মমৌগা, নিঙোলগা মৌগা, ময়াম্বগা মনাওগা, মপাগা মচাগগী মরক্তা চান্না চিন্ননা নুংশিননা হিংমিন্নবা - করম্বা ইমুংবু লৈরিবগে? হায়নৈ - রাম-লক্ষ্মনগুম-নুংশিননা লৈমিন্নরম্বা মচিন-মনাও, ইমুংদুদা মৌ লাক্লবা হান্নদগী লৈরকপা নুংশি মরী অমদি অন্দরষ্টেন্দিং মাঙখিবা, লৈক্রক্কুম ময়ি চৎলকপা শোয়দ্রবনি। লাইরিক হৈবা/হৈতবা, ৱাখল লৈবা/লৈতবা করিমত্তা খেন্নদে।

চহী খরগী মমাঙ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট'কী মফম অমদা ঐগী মরুপ অমগী য়ূমদা, অচৌবা এন জি ও অমনা শিনবা সিনিয়র সিটিজেনশিংতগী ওইবা মীফম অমদা চেবাউ ফংদুনা য়াওজরুই। সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অচৌবা ওফিসর ওইরল্লগা পোথারবা পেন্সনরশিং, সেক্রেটরিঅল সর্ভিস অমদি অতৈ দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরম্বা পেন্সনর... সুনা তিল্লে। আর্মি ওফিসর ওইরম্বসু য়াওরম্মী। অদুবু, ইচিন থীবা নৎচদে, য়াল্লবা পেন্সনর/সিনিয়র সিটিজেন মরক্তুদা ডাক্তর অমসুং ইঞ্জিনিয়র ওইরম্বা অমত্তা য়াওরমদে। খনখি - মখোয়গী মাইন্দ-সেট পূমতোপ তোপ্পী, অতোপ্পগা মান্নদে। ইন্দিভিজুঅলিজমদা থাজবা, সোশল কলচর থাজদবা, সোশল মুভমেন্ট য়াওগন্দবা নেচরদুনা ওইবা তাই।

মীফম অদু লোইরগা, লঞ্চ য়েনবা ঙাইরিঙৈ মচি মচিদা কোল্লুপ কোল্লুপ ৱারী চীকথনরিঙৈ, অহল অমা ইনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা হায়ররৈ... 'ইবুংঙো ইচাগী ভাসন তাবদা পেনমনখ্রদুনা খূৎ শোক্কে চঙজরক্লিবনি'। খূৎ শোক্লকই। চহী হংনরুবদা তরেৎ/নিপান্দগী হেন্না খেন্নরমদে। খুঙ্গংগী লৌমী ওইবনা হেন্না শোকচিন্না উবজাৎনি। ৱারী মখা চত্থরকই...'অদুগা ইবুংঙো, ৱা অমত্তগা হঙ্গৎচগে... সিনিয়র সিটিজেন হায়বসিবু লৈঙাক্কী থবক তৌরম্লগা পোত্থাদুনা পেন্সন ফংলবা মখোয়খক্তবু কৌগদ্রা... লৈঙাক্কী থবক তৌদবা, খূত্তা লাঙ্গোন পায়দুনা লৌমী অমা ওইরগা ইচা শেম্নবা হোৎনরকখিবা, ডাক্তর ওইহল্লকখিবা, কোলেজ ওজা ওইহল্লকখিবা, অহল ওইরবা ঐখোয়দি সিনিয়র সিটিজেন কৌরোইদ্রা... মখোয়গী পূন্সি শেম্বদা পূন্সি অসি কেমখ্রবা ঈরু-ঈয়াং তেকখ্রবা, ইশুনা লোয়বা হূইজাওদুনা হেন্না মমল লৈরবা, লৌমী ঐখোয়গী পূন্সিসিগী মমল খঙবীরক্কদবা কৈদৌঙৈনো?...? অহলদু থম্মোয় শোক্লে হায়বা ঐ খঙখি। মীয়াম মরক্তগী লাপ্তক্লা নায়তোম কৌথোক্লগা মাগী ৱারী লীহনখি। মচানুপা অহুম পোকপনি। অহলদুনা ডাক্তরনি। মমৌদুসু ডাক্তর নুপী! ইম্ফালদা ইঙ্খোল লৈরগা, মথোন অহুম লোঙবা অচৌবা য়ূম, কোনুংগুম্বা অমদা লৈখরে, মশুশিংগা লোয়ননা। মচানুপা য়াইমদুনা কোলেজ অমই লেকচররনি, মমৌদুনা হায় স্কুল টিচর! ইম্ফাল নিঙোল মমৌগীদা য়াওং ইন্দুনা লৈখরে। মচা অতোনবা অদুনা গ্রেজ্যুয়েশন লোইরগা দুকান্দার ওইরি থৌবাল'দা মমৌদুগা লোয়ননা। দুকান পোৎশিং ফনবা, মপাই থৌগল তৌনবা মতম কাইথোকঙমদবনি, ৱারৌদে। অদুবু শঙ্গোম গ্লাস অমত্তং মীওক মীচান ফজনা, নুংশিবা ৱাহৈগা লোয়ননা পীথক'ঙমদবদুগীমক্তি ৱারৌই। লুপা লাখ পীবা মীরমগী হূই অদুদা পীজ পীথক তৌরিবা, নুংশিনা কৌবা মিংগৌদুদা হূইদুগী পূন্সিগা মশামক্কী পূন্সিগা চাংদম্ননা য়েংজরুই। মাগী ৱারী তারগা দ্রামা অমা ইথোক্লুই। 'হূই' হায়না মিংথোনবনি। পুথোক্লবা মতম ঙাইরি।


অতোপ্পা নুপী অমা, কুঠি য়েংবা মরুপ অমগী য়ূমদা নোংমা থেংনৈ। ঐদি কুঠি য়েংবা চৎপা নত্তে। মহাক্লসু ৱাকৎলম্মী- মচা ডাক্তর অমদি মমৌ শকহেনবীদুগী ৱারী। মহাক্লা কুঠি য়েংবা লাক্লিবদুদি মচা নিঙোল অতোপ্পা শাগৈদা ওংখ্রবীদুগী মশুনুপাগী কুঠিনি। মহাক্কুম্বী মমা ময়াম অমগী ৱাকৎনি ঐগী নাকোং অসিদা মায়কৈ কয়াদগী ঙংলক্লিবা।

ৱারী শাবা নুংঙাইবা, নৌনা শকখঙনবা ওইরবসু করিমত্তা কোইদবদুদা মতাং চারে খন্দুনা ঐসু হায়নীংবা খরা হায়হৌই, মতম কয়াগী মমাঙদগী হায়গে খনজরগসু তাবীনবা লৈখিদবা। মণিপুরগী নুপীশিংগী খ্বাইদই চাউবা অশোয়বা 'মনেম ওইবা হৈতবা' অসিনি। মহাক্তি মতম চূপ্পদা মমৌগী ওইখ্রবা মচাদুগী মমা ওইদুনা লৈ। য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী মচানুপীদুগী মমা ওইদুনা অসুম লৈ। মমৌ ওইনা লাক্লিবীদু মচানুপী ওইনা উবা ঙমদে। মৌ ওইনা লাক্লিবী, ইমুংদুগী মৌদুনসু মশাগী ইবুংঙোগী মমা ইবেম্মা মনেমদু মমা ওইনা উবা ঙমদে। মীতৈশিংগী কায়রবা য়ূম্বানগী মরু ওইবা হৌরকফমদি মসিনি। মমা-মচা ৱাহৈ কারন চন্নবদি খোয়খা লিনখা থানদে। মনি-মমৌ ৱাহৈ অমা শোয়নবদি পূন্সি চূপ্পা কাউবা য়াদবা/ঙাক্লবা য়াদবা মরালগুম য়েক্তুনা থম্লে।

পূন্নমকসিগী মথক্তা, অয়াম্বা ইমুং (মমা মপা ওইবশিং) না শোয়রিবসি লুহোংবা অমদি য়ূম পানবা অনীগী ৱাহন্থোক খঙনদবা অমদি খঙহন্দবা হায়বসিসু অমনি। 'লু' হায়বসি অরিবা লোনদা 'কোক' হায়বনি। লু +হোংবা, ৱাহৈ অনী পুনশিন্নরগা শেম্বনি, ৱাখল (কোক) হোংবা হায়বনি। হান্না খল্লম্বা ৱাখলদু নুমিৎসিদই হোংবা তম্লগদবনি। য়ূম্নাক-শাগৈ-ইমুং অমগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ-হৈনবীদু হোংলগা অতোপ্পা অমদা হোংলকপা/ওল্লকপা অদুনি লুহোংবা। অদুগা, খ্বাইদই মরু ওইবা 'য়ূম পানবা' হায়বা থবক্তুমদি মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মমৌ অনীবু মতম কুইনা তৌহন্দনা থম্মী। মদুগী অশোয়বদুনি য়ূম খুদিংমক্কী কায়রবা য়ূম্বানগী হৌরকফম।

অউনপোৎসু হায়নবা, অওং-অউন তম্বা হায়বা চৎনবী অমা য়েলহৌঙৈদই লৈরক্লিবা অনৌবা য়ূম অমা/ইমুং অমা লিংলুবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলম ময়াম অদু পীবনি। য়ূম-পানবা/য়ূম-লিংবই থবক্তুবু তোঙান চাবা হায়বা ৱাহৈ অমনা শিন্দুনা তৌফদ্রবা থবক্তা পুকফত্তবই থবক তাহল্লি। চৎনবী অসি হোংদোকসি। লৈপাক্কী লো ওইহনসি। শা-ঙা খুদিংমক্কী নেচরেল লো-মীওইবগী ওইনদি অইবা লো ওইহনসি। মদুতনা অমত্তা ঙায়রবা খূৎলায়নি কায়রবা য়ূম্বান চেৎশিনহন্নবা। ●

# খণ্ড কাব্য 'খোয়ুম নোংদম কাও' ইবগীদমক ২০২৫গী সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কার ফংলবা এ কে জিতেন



- তোংব্রম অমরজিৎ -

খোরিরোল অমদি মসিবু লাচল্লিবা ইমালোল, লোল অসিবু ইরিবা ময়েক হায়বসি মীওইবা খুন্নাই অমা শেম্বদা খ্বাইদগী মরু ওই। হিংলিবা খুন্নাই অমগী মশক পূন্নমক লমদম অদুগী খোরিরোলদা মমি চাউনা তারি। হৌরক্লিবা মীরোলগা ঙসিগী মীরোলগা শম্ননবা হোৎনবদসু খোরিরোলগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরম অসিননি লৈবাক অসিগী নেশনল অকাদেমি ওফ লেটর্স, সাহিত্য অকাদেমিনা শকখঙলবা ইন্দিয়াগী লোল ২৪দা লৈরিবা মশাগী চহী ৩৫গী মখাদা লৈরিবা নহা অইবশিংনা ইবা খ্বাইদগী ফজবা লাইরিকশিংদা ২০১১দগী হৌনা সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কার পীদুনা লাক্লিবসি। কুমসি চহী ২০২৫গী মণিপুরী লোলগী ওইনা লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কর পীনবা লাউথোক্লকপদা নহা ওইরিবা অইবা এ কে জিতেননা ইবা খণ্ড কাব্য 'খোয়ুম নোংদম কাও' য়াওরকখি। নহা ওইরিবা অইবা এ কে জিতেনগা মহাক্কী ইবগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা পূক্নিংগী ৱারোল খরা খঙমিন্নবগী তাঞ্জা অদু লৌজরি। তুংগী আশা কয়া লৈরিবা অইবা এ কে জিতেনগী মফমদসু হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

**সাহিত্য অকাদেমিনা নহা অইবশিংদা পীবা সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কার কুমসি চহী ২০২৫গী ওইনা ফংলকপদা পূক্নিংদা করি ফাওবগে?**

লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্য অকাদেমিনা লৈবাক অসিগী নহা অইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা পীবা সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কার মনা অসি ঐহাক্না ইজবা 'খোয়ুম নোংদম কাও' হায়না মিংথোনবা খণ্ড কাব্য অসিদা পীরগনি হায়না লাউথোক্লকপদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই।

**ইশাগী চহী কয়াদগী ইবগী লম্বীসিদা চঙশিল্লকখিবগে? মসিদা কনা-কনাগী খূৎইনা ইথিল পীখিবা লৈবগে?**

ইবগী চৎন-কাঙলোন করিনো হায়বা ফাওবা খঙদ্রিঙৈ ক্লাস ৬/৭ তম্বা মতমদগী হৌনা ইশানা ইবা শৈরেং পাথোকপা হৌরকখি। মপূং ওইনা খূৎ থাবা হৌবদি ঐহাক্না ক্লাস ১১/১২ তম্বা মতমসিদগীনি। চপ চানা অইবা কনাদগী ঈথিল ফংখিবগে হায়বসিমদি নীংশিংবা ঙমদ্রে। অদুবু ইবদি পামজনা লাকখি।

**অপোকপা ইমা-বাবাগী মিং, ইচিন-ইনাও কয়ানো? লাইরিক লাইশুগী লম্‌দনা করম্বা স্কুল অমদি কোলেজদা তম্লকপগে। হৌজিক্না করি-করি হোৎনরিবগে?**

ঐবু পোকপীবা অপোকপগী মিংনা অকোইজম সনামতুম অদুগা ইমাগী মিংনা সনবম নিঙোল অকোইজম ওংবী মেমচৌবী কৌই। ইচিন-ইনাও ঐখোয় তরুকনি। নুপা ৩ অমদি নুপী ৩নি। খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাওরেম বিরহরি কোলেজদা গ্রেজুএশন পাস তৌরবা মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী মখাদা এম এ মণিপুরী পাস তৌখি। হৌজিক্না ক্লাস ১১/১২কী মহৈরোয়শিং তাকপী-তম্বীবগী কোচিং ক্লাসকী থবক তৌরি।

**সাহিত্য অকাদেমি য়ুব পুরস্কার ফংলবা খোয়ুম নোংদম কাও হায়রিবা লাইরিক অসি ইনিংলুবগী মতাংদা...?**

ঐগী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক 'শক্তম' ফোঙবা নুমিত্তা ৱাফম অমা থমখি। "ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিগুম্না তোপ তোপ্পা লাইরিক অমসু তুংদা ফোঙবা ঙম্বা ওইজগে" হায়দোকখিবা ৱাফম অসি ঙাক্লবা ঐহাক করি করম্বা মখলগী লাইরিক ইসিগে হায়না য়াম্না খনখি। মমৈথংদা খোয়ুম নোংদম কাও হায়বসি ইনীংবগী ইনোৎ হাপ্লকখি অমদি মায় পাক্লা ইবসু ঙমজখি।



এ কে জিতেন





**মণিপুরদা লৈরিবা সাহিত্যগী করম করম্বা লূপশিংগা পূল্লগা থবক তৌরিবগে?**

মণিপুরী খোরিরোলগীদমক থবক কয়া তৌজনীংই। লেপ্তুনসু হোৎনজরি। অদুনা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফাল, দি কলচরেল ফোরম মণিপুর অমদি অইবা-অইবীশিংগী পাউশানফম অসিনচিংবা সাহিত্যগী লূপশিংদা য়াওদুনা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াজরি।

**হান্না লাইরিক করম-করম্বা ফোঙখিবা লৈবগে?**

ঐগী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক 'শক্তম' হায়বা লাইরিক অমা কুমজা ২০১৮দা ফোঙজদুনা মণিপুরী শৈরেংগী পূক্কৈদা খুদোল তমজখ্রে।

**মণিপুরদা অইবশিংনা লাইরিক ফোঙবগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা করি হায়নীংবগে?**

অইবশিংনা থেংনরিবা লাইরিক ফোঙবগী খুদোংচাদবসিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। পূন্সিগী নম্বো ময়াম মরক্তা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবা ঐখোয়দদি লাইরিক অমা ফোঙনবা হোৎনবসে অৱাবা অমনি মণিপুরদদি। মরু ওইনা হৌজিক মীতৈ ময়েক অমদি বেঙ্গলি ময়েক শীজিন্নরিবা হান্নগী মীরোল অমদি হৌরক্লিবা মীরোল অনীগী মরক্তা অচৌবা অহাঙবা অমা থোক্লক্লি। বেঙ্গলি শীজিন্নবশিংনা মীতৈ ময়েক অমুক ১০০% শীজিন্নবা পাবা-ইবা খূৎলোইদবা অমদি মীতৈ ময়েক খঙলবা ঙসিগী মীরোলনা অমুক বেঙ্গলি খূৎলোইদবা। লাইরিক অমা ফোঙবদা টার্গেট রিদর অনীমক্তা পাবা ফংহনগে হায়রগনা বেঙ্গলি অমদি মীতৈ ময়েক্তা লাইরিক ফোঙবা তারক্লি। মসিনা অইবশিংদা লাইরিক ফোঙবগী বজেট অসিমক শরুক অনী থোক্লা শেল তিংলি। মসিনা ঐখোয়দা অৱাবা অমা ওইহল্লি। অদুগা ফোঙনরিবা লাইরিকশিং অসিগী মার্কেটসু পীকপা মরম্না অইবশিংনা মখোয় মশেল পূক্নিং থৌগৎনদুনা লৈনবা নত্তনা য়াম্না ফোঙবসু ঙম্নদে। মসিগী খুদোংচাদবসি কোক্লবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লাইরিকশিং অসি খরা রিজনেবল ওইবা মওংদা খরা লৈশিল্লগা লাইব্রেরিশিংদা য়েন্থোকপসু য়াম্না মতেং ওইগনি খল্লি।

**অহানবা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা নহাশিংদা পীবা এৱার্দসু হন্দক সাহিত্য অকাদেমিগী য়ুব পুরস্কার ফংলবা লাইরিক অসিদা লাউথোকখিবা লৈরে। মনা অসি ফংলনি তাবদা করি ফাওখিবগে অমদি সাহিত্য অকাদেমিগীসু লাইরিক অসিমক্তদা ফংলকপদা করম্বনা হেন্না পূক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওবগে?**

নহা অইবশিং মরু ওইনা মশাগী চহী ৩৫গী মখাদা লৈবশিংদা পীবা মণিপুর ষ্টেটকী এৱার্দ ফংলনি হায়বগী অহানবা পাউ অসি ফোনদা ওজা অমনা অসুম্না হায়রকখি, "জিতেন নঙ পাউ তারব্রা" ৱাহৈ অসি হৌজিকসু নাকোংদা তারি। নুমিদাং পুং ১০:৩০ তারম্বা য়াই নুমিৎতু। নুমিৎ অদুগী অহিংদু ঐ হরাও নুংঙাইবগী ইথিলনা অহিং তূমথবা ঙমখিদে। ঙসিসু য়াম্না নুংঙাইজবা অমা অদুমক ফাওরি পূক্নিং থম্মোয়দা। অসিগুম্বা নুংঙাইবা মীকুপশিং অসি লোইদ্রিঙৈদা অমুক হায়রিবা লাইরিক অসিদা সাহিত্য অকাদেমিগী য়ুব পুরস্কার পীরগনি হায়না লাউথোক্লকপদা অসুক্কী মতিক হরাওজখি। পূন্নমক অসিগী ক্রেডিট অসি ঐবু সাহিত্যগী লম্‌দা লমজিং লমতাক তৌবীরিবা ওজশিংগী মফমদা পীজনীংই। মখোয়গী শীংঙল্লরোইদবা লমন অমদি তোনশিল্লে।

**নহা ওইনা খণ্ড কাব্য ইনিংলুরিবগী মরু ওইবা মরম অমদি লৈফম থোকই, মসিদা করি হায়নীংবগে?**

ইবগী কাঙলোন খঙজদনা হৌরকপা ওইরগসু খণ্ড কাব্য অসিদি লাইগুল্লবা মহা কবি হিজম অঙাংহলগী 'খম্বা থোইবী শৈরেং' অসিদা য়াওরিবা ফজরবা খূৎই অসিদগী লৌখৎচখিবনি। মণিপুরী খোরিরোলদা খণ্ড কাব্যগী খূৎই অসি মরাং কায়না লৈবা ওইদবনা ইমালোলগী খোরিরোলদা ঐহাকসু চাংয়েং তৌজবা ওইনা হৈত-হৈত হীরম অসিদা খূৎ থাজখিবনি।

**মণিপুরদা ফোঙলিবা খোরিরোলগী লাইরিকশিং অসি নহা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা কয়া পানদে হায়নরিবসিদা করি মিৎয়েং লৈবগে?**

তশেংনা নীংথিজনা সর্ভে তৌরগদি খোরিরোলগী ফোঙলিবা লাইরিকশিং অসি হৌরক্লিবা নহাশিংনা কয়া পানদে হায়বসিদা য়াজনীংই। স্কুল কোলেজদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মখোয়না তম্লিবা সিলেবসতগী হেন্না অহেনবা লাইরিক পাবসি মশীং খরা লিক্লি। ঐখোয়গী খোরিরোল অমদি পুৱারীগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং পাহন্নীংই। মসিনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু মশক খঙজনবা হোৎনবদা য়াম্না মতেং ওইগনি খল্লি।

**মখা তানা করি করম্বা ইবগী প্রোজেক্ট পায়খৎকে খনবা লৈবগে?**

য়ারিবমখৈ ময়াম্না ইনরিবা অসিদগী খরা তোঙান্না ইবগী অপাম্বা অদুমক লৈ। লম্‌ অসিদা হেন্না চঙশিন্নীংবা ফাওই। অদুনা খণ্ড কাব্য অসি অমুক রেদিও লীলা ওইনা ইথোকসিরা হায়বসু খল্লি।

**হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলদা নহা অইবা অমা ওইনা করি পাউজেল পীনীংবগে?**

হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলদা মমা লৈবাক মজাতিবু নুংশিবা অমদি মশাগী পান্দম অমমমগা লোয়নদুনা চৎপা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়জনীংই।

**লাইরিক ইবনা খুন্নাইদা করি-করি অফবা মায়কৈদা লমজিংবা য়াবগে?**

অইবনা ইরিবা লাইরিক অদুদা খুন্নাইগী অফ-ফত্ত পূন্নমক মমি তাহন্দুনা লাক্লি। মরম অদুনা অফবা লাইরিক ইরগদি খুন্নাই অদু খুদক্তা নৎত্রগসু তপ্না-তপ্না অফবা মায়কৈদা লমজিংদুনা পুরক্লবা হোৎনবদা লাইরিক্লা চাউনা হীমাই চুমগনি হায়বসিদা থাজবা থমজরি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ৫

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

ইম্ফাল সহরগী নিল খোঙবা মরক্তা আর্ট এগজিবিশন কয়া তোয়না তৌনরি অদুবু লমদম তাম্না লৈরিবা লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা লৈবা থাঙ্গদা আর্ট এগজিবিশন অমা পাঙথোকপা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমনি। নাক য়েৎতা উরিবা অশং অমান অমসুং তাম্না উরিবা লোক্তাককী পাল্লবা ঈপাকপু উবদা শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিংদসু অনৌবা মহাও অমদি শোয়দনা ওইরমগনি। কালেনথাগী মতমদদি লাই ফাওবনা হরাওবা মতমনি হায়দুনা লম-লমগী উমং লাই কয়া ফাওবা হরাওনরি। হৈপাল-লৈপাল, উমং-ৱামংগীসু অনৌবা ময়োন চোংবা ঙমদুনা পুমশঙ শঙহনবা মতমনি। শারবা কালেন মতম ওইরবসু কল্লবা লৈতঙ্গাই মরক্তা ওইরবসু থিনগৎলকই নৌরবা লৈনানা, ফুগাইনা শাৎপা ঙম্নবা থোৎলবা লৈরাং লৈবাক লৈনা। অসুম্না লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মসু হৌখিবা মে ১৮, ২০২৫ ইন্টরনেশনল ম্যুজিয়ম দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশনসু মাগী মতম য়ৌরদুনা নীংথিজনা পাঙথোকখি লৈবাক লৈগী মতৌগুম। থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইবীখিবা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী ৱারোলদা পনবীরম্মী- লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা ঐহাক্কী অঙন্বা মতেং পাংগনি, করিগুম্বা ঐহাক্না মতুংদা এম এল এ ওইবা ঙম্লবসু ঙমদ্রবসু হায়না পনবীরম্বা ৱাহৈ অদো ওন্থোক্লা মমল য়াল্লবা ৱাহৈনি। থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা ওইবীয়ু। থৌরম অদুদা প্রিসাইদ তৌবীখিবা আর্টিষ্ট/আর্কিটেক্ট অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মনসু করিগুম্বা অনৌবা ম্যুজিয়মগী বিল্ডিং শাবা তারবদি আর্কিটেকচরেল দিজাইন পূম্বা মহাক্লা মতেং পাংগনি তাকপীরম্মী। ময়াম্না অপেনবা ওইনখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইবীখিবা শক্লাইরবা কবি য়ূমলেম্বম ইবোমচানা মহাক্কী ৱারোলদা তোংব্রম অমরজিৎকা লোয়নরকপা অমসুং অমরজিৎকী মতিক-মগুণ কয়াবু শীংথাখি। ঙসি লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম ওইরিবা শঙলেন অসিফাওবা ম্যুজিয়মগী মচাক অমা ওইরবনি। শঙ অসিফাওবা শিদোক্তুনা মাঙহন্নীংদবা ফাওবা পল্লম্মী। কবিনা পনবীরম্মী - পোরোম্পাৎনা পাৎ ওইরল্লবসু পাৎ অদু মাঙখ্রে। মরমসিনা লোক্তাক পাৎ অসিনা মাঙখ্রবসু লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম অসিনা লোক্তাককী ৱারী কয়াদি লীবা ঙল্লমগনি তাকপীরম্মী। য়াম্না নুংশিরিবদি থৌরম অদুদা থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায়দগী চহী ৮০-৮৫ হেল্লবা অহল-লমন কয়ানা অঙৌবা পুময়াৎ ফৈজোম শেৎতুনা লেঙদা অঙৌবা লেঙয়ান য়ান্দুনা মমাঙদা থারিবা ফক্তুদা ফম্লগা লোইবা ফাওবা থৌরম অদু য়াওবীখিবা অদু তোংব্রমগী ইমুং অদু নুংশিবগীনি হায়রসু য়াই নৎত্রগা থাঙ্গবু নুংশিবগীনি হায়রসু য়াই।

মরম অসিনা ঐখোয়না শিরুই ফেষ্টিবেল য়াওনীংই মরমদি শিরুই লিলীসি মণিপুর ষ্টেটকী ষ্টেটফ্লৱরনি। অমরোমদা অমুক শিরুই ফেষ্টিবেলসি মণিপুরগী উখ্রুলদা পাঙথোকপা ওইবনা। ঐখোয়না সঙাইবু নুংশিজে করিগী মণিপুরগী শজি ওইরুবননি। মালেমগী মফম কয়াদা তরু-তনানবা নীংথিরবা চাউরবা পাৎ কয়া লৈ অদুবু ঐখোয়না লোক্তাক পাৎপু নুংশিজে করিগী মণিপুরগী পাৎ ওইরুবগীনি। মরম অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা খোরিরোল শুরিবা কয়া-কয়ানা ইমা লৈবাক মণিপুরবু শৈথাজবা ৱারেং কয়া-কয়া, শৈরেং কয়া নোংমতা কাংদে ফোঙনরিবা লাইরিক কয়া-কয়া, মণিপুরী কৌবা ইমালোলগী ৱাহৈনা ইবা লাইরিকশিং। মণিপুরদা লৈবা মীবু মণিপুরী হায়না কৌবনি অদুননি মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরকপা মশা-মশাগী মরোল লৈজবা ফূরুপশিংনা অতোপ্পা ফূরুপ অমদা ফাওনলোল ওইদুনা মণিপুরীলোল লোন্দুনা মণিপুর কৌবা লৈবাক অসি পাল্লকপনি। ঐখোয়না লোক্তাক ইমাবু উরগা নুংশিজে, কঞ্জনীংই, অইবশিংনা ইজনীংই নীংথিরবা ৱাহৈ কয়া-কয়ানা লৈচল ওইরগা শৈথাজবা শৈরেং কয়া-কয়া ইথোকচবা মতমদা কয়াদা নুংঙাইজরিবা। হায়রিবা লোক্তাক পাৎ অসি ইমা মণিপুরগী মশাইকোন্দা লৈবা পাৎনি মরম অসি ওইবননি কবিশিংনা নুংশিনা শৈথাজরিবা। ঙসি মণিপুরী মচা কয়া-কয়ানা হীরম খুদিংদা শান্নববু ওইরো, জগোয়দবু ওইরো, লাইরিক ফবদবু ওইরো, দ্রামাদবু ওইরো, সাহিত্যদবু ওইরো, ফিল্মদবু ওইরো, ফাইন আর্টতবু ওইরো মায় পাকপগী মীথোই-মীহেনবগী পাউ অমা তাবদা থিংবা ঙমদে থম্মোয়দা, পাউ অদু হেক তাবদা খুদক্তা থম্মোয়দা নুংঙাইবা ফাওরিবদো মশাগী মরমদমগী মী মণিপুরী অদু ওইরুবগীনি। অদুগুম্বা এৱার্দ ফংলকপা মনা মথুম ফংদুনা মায় পাক্লকপা মতমদা সোশল মীদিয়াদদি congratulations না ৱাই চাই। হৌজিক মালেমগী মফম খরদা চত্থরিবা লান অসিনা





বুধিমন্তনা য়েকপা 'চম্পু খাংপোক' কী শক্তম (ওই), অহল ওইরবশিংনা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশনদা শরুক য়াবা

লৈফম চাফমসু লৈতা, চনীংঙাই থক্লিংঙাইসু লৈতদনা ওন্থোক্লা ৱানা চরা হেন্দুনা ঈশিং মরীক অমফাওবা থকপা ফংদদনা খ্রক-খ্রক কঙদুনা তাইবঙপাল থাদোকপা কয়া থোক্লিবনি, পীক্লিবা অঙাং কয়াবু মমা ওইবী কয়াগী খোল্লাং মরীক অমফাওবা থকপা ফংজদনা পলেম মমা ওইবী কয়াগা শেৎনা খায়নবা কয়া-কয়ানি থোক্লিবা, পলেম পন্থৌ অনীমক লৈখিদ্রবদা ওর্ফান তাহৌবনা কোঙ্গাইনি। লীবদা লোইবা ঙল্লোই মখোয়গী অৱাবগী ৱারী অদুবু ঐখোয়না পাউ ওইনা উবদনি, তাবদনি, নুংঙাইতে হায়না খল্লগা তোকই। পূক্নিং ফাথবা অদুম ঙম্মী অদুবু ইরমদমসিদা, লৈকায়দা, অদুদগী ইয়ূমদা অমুক ইশাগী ইমুংমক্তদা থোকপা ওইরবদি নুংঙাইতবা, থম্মোয় শোকপগী চাংসু মথং-মথং হেনগদৌরিবনি।

হন্দকপ্বালতবীদা মণিপুরগী মীদিয়া টিম অমনা উখ্রুলগী ৫শুবা 'শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল' ২০২৫গী পাউ লৌবা চৎপা মীদিয়া টিম অদুনা তোংলিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা থারিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিদগী 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈ অসি মূখৎলু হায়রকপদা পাঙমীশিংনা য়ানীংদবা উৎতুনা মীদিয়াগী থবক থৌরম লেপখি। নুংঙাইতবা খরদি ফোঙদোক্লখি অদুবু মণিপুরগী ইরোল ওইরিবা মণিপুরী হায়রিবা লোল অসি শীজিন্নরিবা অইবশিংদি য়ানীংদবা ফোঙদোকপা মীফম ফম্বা উখিদে, তাখিদে। ঐখোয়না সাহিত্যগী এৱার্দ কয়া ফংলক্লিবা অসি মণিপুরী হায়রিবা লোল অসিদনি। মণিপুরদা লৈরিবা সাহিত্যগী লূপ কয়ানা পুল্লগা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা মীফম অমা ফোঙদোক্লম্লবদি ওন্থোক্লা মপূং ফারমগনি। ঙসি ঐখোয়না মণিপুরী সাহিত্যদা থৱায় লুপ্লিবনি হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক লৈরমগনি।

অসুম্না ঐখোয়না লোক্তাক ইমাবু নুংশিজে, লোক্তাক ইমাবু কনমিন্নসি হায়রগা করাংদা খূৎ লোনশিন্দুনা লৈরগা লোক্তাক কনবা ঙল্লোই, নুংশিরবা লোক্তাক পাৎ অসিগী মমিং 'লোক্তাক' হায়রিবা মমিং অসি হায়বা য়ারোই হায়রক্লবদি লোক্তাক মপানগী খুঙ্গংশিং অমসুং মণিপুরগী মীয়াম তূমিন্না লৈগদ্রা?

মৈহৌরোলগী ৱারীদা মণিপুরগী তম্পাক অসি পাৎ ওইরম্মী। সেরৌ তুরেলগী 'নুঙথোং' হায়রিবা অচৌবা নুঙজাও কয়া লৈরিবা মফম অসিদনি ঐখোয়না ৱারী ওইনা তারিবা, চীংনুং হুৎতুনা মণিপুর রিভর বর্মারোমদা ঈশিং চিংথিবদগী তম্পাক লম অসি মতাক মতাক কংলকপদগী ঈশিং তুবা পাৎ ৩০০গী মথক্তা তম্পাক লমদমদা লৈরম্মী। মসিদা খ্বাইদগী চাউনা ঈশিং তুংশিলহৌবসি লোক্তাকনি। ঙসি ঐখোয়না কৈশাম্পাৎ হায়রিবা মফম অসিবু পাৎ ওইরম্মী থাজবীব্রা, খোঙহামপাৎসু অদু মঙাই পাৎ হায়বা অমা তপ্লি অদু মঙাইরে। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ ঙসিদি পাৎ লৈত্রে, য়ূম ঙাক্তনি মতম অমদা পোরোম ফারম্মী হায়দুনা পোরোম্পাৎ কৌবনি। অসুম্না অকাম্পাৎ পাৎ লৈত্রে মাঙখ্রে, লম্ফেলপাৎতা কোন্মীরৈগী হৌফম ওইরম্মী ঙসিদি চপ চাবা হৌফম উদ্রে। লৈঙাক্কী ওফিসশিং, অকোয়বদনা লন্নাইগী য়ূম ঙাক্তনি উরিবা। য়ারল পাৎসু অদু মঙাই মথং-মথং কংশিল্লকপনা পীকশিল্লে, অকংবা পাৎ অমা ওইরক্লি, কোন্মীরৈসু উখিদ্রে। খোঙমনগী অকাম্পাৎসু কংখ্রে, ৱাইথৌ পাৎসু কংলক্লে, ৱাঙ্খৈগী সঙ্গাই পাৎসু মাঙখ্রে অসুম্না তম্পাক্তা লৈরম্বা পাৎ পূন্নমক কংবা লোইশিল্লক্লবনিনা ঙসিদি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা পাৎ লোক্তাক অসিসু ফীভম কায়থরক্লি, অতাওবা ফুমদিনা মেনশিল্লকপনা হেঞ্জিল্লক্লি, লোক্তাক মপান্দা য়ূম তাবা হেনগৎলক্লি। মতাক মতাক তাওরিবা ফুমদিশিং অসিনা মথং-মথং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অচৌবা ফুমদি ওনখিদনবা হোৎনহৌবা ফৈ নৎত্রবদি অতাওবা ফুমদিসিনা কুইথরক্লবদি অদুম অকংবা শরুক ওইখিনি। মোইৱাংগী মনীংদা লৈরিবা চীংশাংশিং অসিদগী ঈপা-ঈপুনা মনীং হাও হায়না খঙনবা চীংমী কয়ানা লৌ লোইরবা তুং মতম অমদা কৈবুলদা লমওক তানবা কুম্লক্লম্মী, লমওক মরাং কায়না লৈবা মরম্না মনীংগী চীংশাংদগী কৈশিংসু চাক্তাবা তোয়না কুমথরকপগী ৱারী অসিগা কৈবুল হায়না কৌখিবগা মরী লৈনৈ। কৈ চঙদনবা খাবা পল, কৈপলদগী থৈথরক্লগা কৈ পুল হায়না কৌখিবদগী ঙসিদি কৈবুল ওনখিবগী ৱারী লৈ। অদুননি খম্বা থোইবী ৱারীদা খোইরেন্তাকতা খম্বনা মবাই ফৈরোইজাম্বগা লোয়ননা কৈ হাৎপগী ৱারী লৈরিবা। ঙসি ঐখোয়না 'কৈবুল লমজাও' হায়না খঙনরিবা মফম, য়ারৌ শজি সঙাইগীনা ময়ূম, মফম অসি অতাওবা ফুমদিদগী ওনখিবা মফমনি। ফুমদিশিং অসিগী মথক্তা নেৎপদা চোংখৎপদা পুখদ্রবা অকংবা কংফাল ওল্লবনি।

অসুম্না লোক্তাককী ফীভম অসিনা ফগৎলক্তবদি শোয়দনা মাঙখিনি লোক্তাক। মমিংতগী ওইনা লৈহৌগনি। ঙসি লোক্তাক পাৎকী ঈয়াইদা থাঙ্গ ইথিংগীনা অৱাংলোমদা করাংগীনা মনীং ওইরপ্লা লৈরিবা 'চম্পু খাংপোৎ' হায়না খঙনরিবা অথাবা অতাওবা ফুমদি মথক্তা শাবা খাঙপোক শঙশিংগী অতাওবা খুঙ্গং অদুনি, হায়রিবা চম্পু খাংপোক হায়না খঙনরিবা মফম অসি ময়াং ইম্ফালদগী চম্পু কৌবা মী অমনা লোক্তাকতা ঙা ফাবা লাকখিবদগী মফম অদুদা খাঙপোক মচা অমা শাদুনা লৈখিবদগী চম্পু খাংপোক কৌখিবগী পুৱারী অমা লৈ। মমৈথংদা ইমুং মনুং পূন্না খুন্দানা লৈরবা তুংদা থাঙ্গ, করাং, ঈথিং-সেন্দ্রাগী মীওই কয়াসু মফমদুদা তুং কোইনা লৈনখি। ২০১১গী মীকোক থিবদা মফম অসিদা পূন্না খাংপোক য়ূম ৩১১দা মীওই ৮৩২ লৈবা থেংনখি। হৌজিক্কী ওইনদি চম্পু খাংপোকতা খাংপোক ১৬৬ লৈরি। মীওই ৫০০ খুন্দাদুনা লৈবগী রেকোর্দ লৈ। খাংপোক মশীং হন্থরকপগী মরমদি কুমজা ২০০৯দা লোক্তাককী ফুমদিথক্তা শাবা ফুমশঙ অয়াম্বা ইন্দিয়ন আর্মিনা 'ওপরেশন সম্মরষ্ট্রোম' কৌবা ওপরেশন অমগী মখাদা লালহৌবা ফানবা পাক্তক্লনা মৈ থাদোকপীখি। মরম অসিদগী খাংপোক্কী মশীং হন্থখিব্রা খল্লি। মফমদুগী শিনফমদি ঙা ফাবা খক্তনি। ভোটকী ইলেক্টোরেল রোলগী লিষ্টতা চল্লি। অঙাংশিংনা তম্নবা ইলিমেন্টরি স্কুল অমা লৈ। অঙাংশিংদুনা মখা তানা লাইরিক তম্বা তারবদি কংফাল তম্না চৎতুনা লাইরিক তম্বা তাবনি। খ্বাইদগী খুদোংচাদবা হায়রগদি অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা মফমসিদগী মনাক নকপা কংফালগী অনা লায়েংফমদা চৎপা তাবনি। চহী খরগী মমাঙদা মফমসিগী মীরোনবী নুপী অমা অতাওবা ফুমদিশিংনা হীগী হীরম থিংখিবদগী ডাক্তর য়ৌবা ঙমখিদবদগী লৈখিদবগী থৌদোক থোকখি। য়াম্না নুংঙাইতবা পাউ অমা ওইখি। চম্পু খুঙ্গংগী মীওইশিংদা হংনীংবা অমা লৈরম্বা খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাহংদি খোঙহাম্ফম করম্না তৌবগে অসিনি? অদুবু লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিনা মফমদুগী য়ূমথোঙ খুদিংদা Bio- digester toilet কয়া য়েন্থোকখিবগী পাউ লৈখি, হংনীংলম্বা ৱাহং অদু কোকখি। ● *(মখা চত্থজরকখিগনি)*